ইরৈবাক
ইম্ফাল, মার্চ ১৮, ২০২২ ইং

লৈঙাকনা ঙমদবা লৈতবনি

মীয়ামগী য়াইফনবা লৈঙাক্না থবক পায়খৎপদা ঙমদবা লৈতবনি। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগী মপী–মপানি। পায়খৎলিবা থবক য়াম্নমক ত্রান্সপরেন্সি ওইবা চংই। মসিনা থবক অদুগী কান্নবা মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহনবা ঙমগনি। মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগী মপী–মপা ওইরিবা লুচিংবশিং অমদি লৈঙাক্কী মেছিন্নরি ওইরিবা ওফিসিয়েলশিং লনাইগী ওইবা ৱাখল্লোন তুংওইনরগা মীয়ামগীদমক খল্লগা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা চংই। পুকচেল শেংনা থবক তৌবা ঙম্নবা লৈঙাক্কী লুচিংলিবা অচেৎপা ফিরেপ লৈবা তাই। হৌখিবা চহী খরদা মনিপুর লৈঙাক্কী সিস্টেমদা অশোয়বা খরা লৈখিবসিনা শেম্নিৎলোনগী ফিভমদা হেন্না শোকচিনহল্লকখিবনি। অশোয়বা সিস্টেমশিং অসি চুমথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি শেম্নিৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা তাবনি। লৈঙাক হায়বসি কন্টিন্যুসননি। অফবা মাইকৈরোমদা পুরকপদা লৈবাক অদুগী থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না হেন্না থাজবা থম্নরক্কনি। লুচিংবা অদুবু মীয়াম্নসু থাগৎফম থোকই। হৌজিক মনিপুরগী বি জে পি গী ষ্টেট লৈঙাক অসিনা হান্নগী সিষ্টেমদগী অহোংবা খরদি পুরক্লি। খুদম ওইনা মনিপুরদা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কনেক্টিভিতিগী ফিভম ফগৎহন্নবা থবক লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। কনেক্টিভিতি ফগৎহনবা হায়বসিদা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা মনিপুর লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মরু ওইবা থৌদাং লৈ। দিপার্টমেন্ট অসিগী পেসেঞ্জর সার্ভিস মনিপুরগী কাচিন–কোয়া থুংনা লৈহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

মতম অমগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা মনিপুর ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (এম এস আর টি সি) লীংখৎতুনা মনিপুরগী মফম খরদা পেসেঞ্জর বস সার্ভিস তৌবদা নত্তনা নাগালেণ্ডগী দিমাপুর ফাওবা সার্ভিস তৌরমখি। পেসেঞ্জর বসখক নৎতনা ট্রক গাড়ীশিংনা দিমাপুরদগী চেং চিনি অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং অহোংবা গাড়ী ভারাদা ইম্ফালদা পুশিল্লকখি। পোৎ–চৈ হাপ্পগী অমদি মী তোংবগী মমলদা হোংলবনিনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরবসু পুকচেল শেংবা ৱাৎপদগী এম এস আর টি সিগী গাড়ীশিং গৌডমিঠাই তুম্বগুম্না মাংখিবদগী গাড়ী টায়ার ফাওবা থিবা খংনখিদে। গৌডমিঠাই খুতুমদা মুৎলক্লবা এম এস আর টি সি অসি কুম ২০০৩ দা মুখৎখি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) হায়না নৌনা লীংখৎতুনা এম এস টি গী বস তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লমথাবা হৌরকখি। হৌখিবা কুম ২০২২ গী মার্চ ৩০ দা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইম্ফাল মাওগী এম এস টি বস সার্ভিস লমথাখি। সার্ভিস অসি মায় পাক্লা চত্থরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর খাসিম ভাসুমনা ইম্ফালদগী কসোম খুল্লেন ভাইয়া য়াইরিপোক ফাওবগী এম এস টি বস লমথাখ্রে। মতৌ অসুম্না মনিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা এম এস টি বস সার্ভিস লৈদুনা কন্নেক্তিভিতি হেন্না ফগৎহল্লবদি লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নহল্লকপা ঙমগনি। বস সার্ভিস নীংথিনা লৈহন্নবা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। কন্নেক্তিভিতিগী ফিভম ফগৎহন্দনা চাওখৎ মাইকৈদা মাংজিন থানা চংশিনবা ঙম্লোই।

লাই কুমজনবদা শীজিন্নবা ফিজেৎ-লৈতেং

আর কে নবিন্দ্র

ঈকৌদুনা ঈকারক্লবা মতুংদা লাইশং মনুংদা লাইরেম্মরোম থংবা নাকন্দা ঈশাইফু অদু মনিং লৈপাক তাহন্দনা লা নৎত্রগা ফৈনচিংবগী মথক্তা অমাইবীশিংনা খিন্দুনা থল্লবা মতুংদা অমাইবীশিংনা তুঙ্গা ফনেক থোল্লগা খ্বাংচেৎ নমখাং থোনগনি, লৈ পরেম থোনগনি।

লাই কুমজনবদা শীজিন্নবা ফিজেৎ লৈতেং অসি চাওরাক্লা তরারোম শুই। মদুদি ঃ ১) লাইনিংথৌ-লাইরেম্মা অমসুং লৈমরেলগী ফিজেৎ, ২) অমাইবশিংগী ফিজেৎ, ৩) পেনাখোংবা অশৈবশিংগী ফিজেৎ, ৪) অমাইবীশিংগী ফিজেৎ, ৫) লাই পুবা নুপাশিংগী ফিজেৎ, ৬) থৌগল্লোইশিংগী ফিজেৎ, ৭) কুমজনবা য়াওরিবা নুপাশিংগী ফিজেৎ, ৮) মৌশিংগী ফিজেৎ, ৯) লৈশাবীশিংগী ফিজেৎ, ১০) নুপীমচাশিংগী ফিজেৎ অসিনচিংবা অসিনি।

১) লাইনিংথৌ-লাইরেম্মা অমসুং লৈমরেলগী ফিজেৎ ঃ

কুমজনগদৌরিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্মা অনিগী হকচাং পোল্লাং "পোমিৎ পোল্লাং" হায়না খঙনবা নৎত্রগা উনা শাবা 'উফম' অদু অহানবদা ফি অমনা য়োমশিল্লগা অমাইবনা লাইনিংথৌগী কোমাই হাপ্লবা মতুংদা ফৈজোম শেৎকনি, মথংদা কোয়েৎ থোল্লগা নমথাং (ইন্নফি) থোনগনি, নাদা চোল্লাং য়াল্লগা ঙক্তা লৈ পরেং থোনগনি। অমাইবীনা লাইরেম্মগী কোমাই হাপ্লবা মতুংদা ফনেক ময়েকনাইবা থোনগনি, খ্বাংচেৎ নমখাং (ইন্নফি) থোল্লগা কোক্তা লৈত্রেং (কজেংলৈ) থোনগনি, নাদা চোমাই য়ানগনি, লৈ পরেং থোনগনি। (লাই-লাই খেন্নবগী মতুং ইন্না ফিরোল অমা থোনবা নৎত্রগা ফিরোল অহুম থোনবা লাই লৈ, কোয়েৎসু শলাই কোয়েৎ থোনবগী মহুত্তানিংখম-শমজিন চিনবা লাইশু লৈ, ককচিং ইরেংবনগী ইরুম নিংথৌ, লমদেংগী লাইখুরেম্বীনচিংবদদি কোমাই হাপ্নদে, ফিরোল তরেৎনা লাইমাইদু খুমজিল্লি। করিগুম্বা কোমাই হাপ্লবদি মীশি-মীনা নংই হায়ন থাজনৈ। লাই-লাইদুগী মতুং ইন্না ফিজেৎ লৈতেংগনি।)

ঈকৌদুনা ঈকারক্লবা মতুংদা লাইশং মনুংদা লাইরেম্মরোম থংবা নাকন্দা ঈশাইফু অদু মনিং লৈপাক তাহন্দনা লা নৎত্রগা ফৈনচিংবগী মথক্তা অমাইবীশিংনা খিন্দুনা থল্লবা মতুংদা অমাইবীশিংনা তুঙ্গা ফনেক থোল্লগা খ্বাংচেৎ নমখাং থোনগনি, লৈ পরেম থোনগনি।

২) অমাইবগী ফিজেৎ ঃ

চৎনবীগী মতুং ইন্না মমাংঙৈদদি অচম্বা অমাইবা অমনা শেৎকদবা ফিজেত্তি ফৈজোম মপান চন্দবা অঙৌবা অমা তোমাল শেৎকনি, ফুরিৎ পুময়াৎ থাজনি পানবী অমা লিৎকনি, কোয়েৎ চাংখ্রং তাবীনা শলাই কোয়েৎ য়েৎকনি, ইন্নফি অঙৌবা (লাংঙ্রা) না ঙক্তা য়ানগনি। করিগুম্বা অমাইবা অদুনা নিংথৌগী মনাফি শুনা ফংলবা অমাইবা ওইরগদি খামেনচৎপা ফৈজোম শেৎকনি, রেশম ফুরিৎ শাইজোনবা লিৎকনি, কোয়েত্তা নমথাং-খুল্লক হাপকনি, খুজি পোপচাওবী শিগনি, পাম্বোমদা তাল শিগনি, লোইননা নিংথৌনা পীবা পজেং-ফিরাল পূম্নমক থেৎকনি।

৩) পেনা খোংবা অশৈবগী ফিজেৎ ঃ

অচম্বা পেনাখোংবা অমগী ফিজেত্তি ফৈজোম মপান চন্দবা অঙৌবা অমা তোমাল শেৎকনি, লৈ পরেং অমা শিগনি, ইন্নফি অঙৌবা (লাংঙ্রা) অমনা খ্বাংচেৎ শেৎকনি, চাংখ্রং তবীনা কোয়েৎ শলাই য়েৎকনি।

করিগুম্বা নিংথৌগী অশুবা মনাফি ফংলবা পেনাখোংবা অশৈবা ওইরগদি ফৈজোম খামেন চৎপা (খমু চপ্পা) শেৎকনি, রেশম ফুরিৎ শাইককপা লিৎকনি, খুজি-তালনচিংবা শিগনি, কোয়েত্তা নমথাং-খুল্লক হাপকনি, নাদা চোল্লাং য়ানগনি, লৈখম্নচিংবা নিংথৌনা পীবা মনা-মথুম, পজেং-ফিরাল পূম্নমক থেৎকনি।

(লাই খেন্নবগী মতুং ইন্না ফৈজোম অঙৌবা শেৎপা নৎত্রগা খামেন চৎপা শেত্তবা য়াদবা লাই লৈ, মদু খংনা অমাইবা অমসুং পেনা খোংবা অশৈবশিংনা শেৎনৈ। মমাংঙৈদদি খামেনচৎপা শেৎপা তারবদি খুদৈ অমা খুকউ কুপ্না শেৎলবা মতুংদা খামেনচৎপা ফৈজোম শেৎনৈ। খামেনচৎপা ফৈজোম শেৎলগা লম্বী শোরোক্তা পংচৎ চৎনদে, মপাল ইপাল থোকপা, চাক চাবনচিংবসু তৌনদে।)

৪) অমাইবীশিংগী ফিজেৎ ঃ

অমাইবী অসি অনিথোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদি ঃ- (অ) নুপী অমাইবী অমসুং (আ) নুপা অমাইবী অসিনি।

নমথাং খুল্লক ঃ- মমাংঙৈদদি "নমথাং খুৎহৎ" হায়নরম্মী, লোন থৈথরকপদগী "নমথাং খুল্লক" হায়নরকখিবনি।

(অ) নুপী অমাইবীশিংগী ফিজেৎ ঃ

অচম্বা অমাইবী অমনা শেৎকদবা ফিজেৎতি পুংঙৌ ফনেক শেৎকনি, ফুরিৎ খুদাংশাংবী চাংক্রিক খায়বী অঙৌবা লিৎকনি, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাক্কনি, শম হুগৎলগা হাৎতুনা নুপী শম্বুল পুল্লগা শম্বান্দোং মমৈ থাদগনি, শমজিরৈ থেৎকনি, লাইবক্তা চগুণ থিনগনি, লিক-খুজিনচিংবা শিগনি নাদা চোমাই য়ানগনি।

মনাফি ফংলবী অমাইবী ওইরগদি পুঙৌ ফনেক শেৎকনি, রেশম ফুরিৎ শাইককপা লিৎকনি, শরোং ইন্নফি হাপকনি, সরোং মথক্তা খ্বাংলাক লাক্কনি, খুজেংদা খুজিমচা শিগনি, পাম্বোমদা তাল শিগনি, নিংথৌনা পীবা মনা-মথুম, পজেং-ফিরাল পূম্নমক শেৎইনগনি।

'চরা হেনবা অমসুং চাবা'–০৮

শগোলশেম ইন্দ্রমনি

হকচাং ফবা হায়বসি নিতি অমসুং জ্ঞানগী জগৎপু পুরিবা "বরাহদেব" নৎত্রা "এটলাস" হায়বা লাই অদুনি। হকচাং ফৎত্রবদি মহাক্কীদমক খন্নবা অমসুং মানা খঞ্জবা য়াবা পুন্নমক মাঙখ্রবনি। হকচাং ফনবগী নিয়ম তরেৎ লৈ। মসিগী মনুংদা অফবা চিঞ্জাক হায়বসি মরু ওইবা নিয়মনি। চরা হেনবা হায়বসি ঈ শেংনা থম্নবগী মরু ওইবা উপায়নি। পাঙ্গল কন্নবা, কন্না অদুম থম্ননবা, পম্সিনবা নহা ওইনা অদুম লৈননবা অদুগা নাদ-য়েক্তনা লৈননবগী অথুপ্পা মরোনদি হকচাং নোয়-পেনহনবদা লৈ (nourishment)। নূংথং পায়বা মসলনা মশা পূন্নমক থানা য়োমশিনখ্রবা, সমুদ্রগী শেংখ্রবা নুংশিত্তা ঙা ফাবা মী, চীংনুংদা চীংদোন্দা শাদানবা মীসু চহি ২০/৩০ দা শিবা য়াওই। অমোৎপা, অমম্বা কা অমদা য়েতুম নৎত্রগা কলম অমদগী হেন্না পায়জদ্রবা মী অদুসু চহি ১০০ হেন্না পুন্সিবা য়াওই।

অদুনা পুন্সিবগী অথুপ্পা ৱারোনদি হকচাং শেমগৎশাগৎপা অমসুং নোয়-পেনহনবদা চঙইবা পোৎ পুন্নমক য়াওনা পীজবা অমসুং মদু পুন্নমক ঈনা-তোংনা ফজনা লৌশিনবা ঙমহনবা পাঙ্গল অদু শেমগৎপনি। মীনা নারিবা, শোল্লকইবা অসি হকচাংগী মনুংদা লৈরিবা নালা অসি ফজনা মপাঙ্গলগী শেমবীদবদগী লাকপনি। নালা অদু ফজনা শেঙদোকপীদুনা, থল্লবদি ফত্ত-হৌদি পুন্নমক মপান্দা পুথোকখ্রগা অশেংবা ঈগী ঈচেল অদু শেংনা থমদুনা ঈনা লৈফম থোকপা পোৎশক পুন্নমক ফজনা মাঙহন্দনা থমদুনা মী অদু নাদ-য়েক্তনা লৈবা ঙমই অমসুং অহোয়ননা অহল ওইরবা ফাওবা মরী তোং-অনৌবা শাগৎপা ঙমই। চহি ৮০ শুরবা অঙাং, চহি ২০ গী অহল হায়রিবসি মতাং অস্বাইদনি। মসিবু খঙদবা মী য়াওব্রা? অখঙবা মীদি য়াওব্রা? অদুগা খন্থবা মীদি মরৈবরা? অশানা পীজগদবা পাউখুমনি।

মীওইবা হায়বসি শোঞ্জখ্রবা, লানগনখ্রবা, পঙজখ্রবা জীবনি। ফজনা শেমগৎচরবা হকচাং অদুদা শিদ্রিফাওবা মানা লৈজগদৌরিবনি। চহি লিশিং চৎননবা চেক্কী, নূংগী, মার্বলগী য়ুমদি মানা লৈজনবনি হায়দুনা ফজনা শাই। অদুগা মাগী থৱায়না লৈনবা চহি চামদং চৎননবা য়ু, হকচাংদি শাগৎপা শেমগৎপা থক তৌদে। শিরগদ্রা হায়বা মতম অদুতদা ৱাফম অসি খনবা হৌরকই। য়াররোইদ্রা হায়না খঙলক্লবা মতম অদুতদা মী খুদিংমক্তা মাবু কনবিনবা নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবা হৌরকই। অমুক্তং হিংজরবদি অফবা পূন্নমক ঙাক্লা চচচরগে খল্লকই। হৌখিবগী অরানবা খুদক্তা মেনখৎপা খক য়াদে। হে ঈশ্বর অমুক্তা হনগৎনা লৈজবা য়ারবদি নৎত্রগা অতোপ্পা পুন্সি অমতগা ফজনা লৈজরগে, পীনবিয়ু, তক্সি শোন্দুনা চৎখিবা ঙাক্তনি। মীওইবা ঐখোয় অস শিগদবা ঙাক্তনি হায়বসি খঙজবা ঙাক্তনি, খনবীদবদনি। মীওইবগী মপোক অসি করিগা প্রমাণ তৌবা য়াই। য়েংবিয়ু! মী লিশিং অমা মখোঙ-মখুৎ য়োৎহিলংনা পুল্লগা চিংদুনা চৎলি। পুং ৱ লৈরগা ময়ামদুগী মমাঙদা মমাঙথংবা মী অদু মঙক কক্তুনা, ছুরিনা থিন্দুনা হাত্তোক্লি। হাত্তি হাৎত্রিবা মাগী পালী তাদদুনা লৈরিবা মীশিং অদুনা কয়া লাঙতক্লনা, কিনা, নুংশা থীনা লৈরগবা! ঈশ্বরগী মফমদা কনবীনবা, থাদোকপীনবা, হাৎপিদনবা প্রার্থনা তৌজরিবনি। মীওইবা ঐখোয়গী মপোক্কা য়োৎহিলংনা পুল্লিবা মীওই খরদুগা করি খেন্নরি? তাই বংমী করিগীদমক খন্থদবগে? আলেকজেন্দারগী মপা মেসোদোনিয়াগী নিংথৌরেল ফিলিপ্সনা অয়ুক খুদিংগী তুম্বা হৌগৎলকপদা "নিংথৌরেল, হৌগৎলো, নঙসু তাইবংমীনি হায়বা নীংশিংউ" মতোমদা হায়জৈ। মসিমক গযক্কী ফিলোসোফরনা "নশক খঙজৌ" "know thyself" হায়বা শিক্ষাগী অনৌবা অমসুং অরোইবা ৱাফমদগী লাকপনি। নঙবু কনানো, কদায়দগী লাকপনো, কদায়দা চৎকদৌরিবনো, নঙনা তৌরিবদু করিনো, করি তৌগদৌরিবনো হায়না হন্না হন্না হংলগা খঙদবদা হেল্লকপা ঙাওরকপদা হেল্লকপনি। মাদুগী মনুঙদগী ফংলকপা জ্ঞান অদুনা পুন্সিগী লমজিং ওইগদবনি। মাদুগী মনুঙদগী ফংলকপা জ্ঞান অদুনা পুন্সিগী লমজিং ওইগদবনি। য়ুমসু মানা শাজবনি, সমাজসু মানা শেমজবনি, লাইশঙসু মানা শাজবনি, মানা শাগৎচবা, নীংজবা ৱাখলগী মতুংইন্না ঈশ্বরসু মানা পুথোকচরগা খুরুমজবনি। লাইনা হায়বা, লাইনা তাকপা ৱাহৈ অমা ঙসি ফাওবদা লৈরিবা মী অমত্তনা তাদ্রি।

মীগা অতৈ জীবগা করিদা খেন্নবগে হায়রবদি মহাক্তি মহাক্কীদমক চেকশিঞ্জবা ঙমই। মানা করি তৌরিবগে খঙজৈ। মাগী হৌখিবগী শাংখ্রবা ৱাফম কয়া লৈজৈ। তুংগী হায়বা অমসু লৈরি হায়বা মানা খঙজৈ। মশক খঙজৌ হায়বদু মীদনি অসুম্না খঙজবা। মশাগী শাহুম (ব্রহ্মত্তজ্ঞ) মানা খঞ্জবা ঙমই। মী অমনা মহাক মশামকপু খঙজৈ হায়বসিদা, মানা করি খঙলবগে হায়বসিদনি। মীওইবা হায়বসি জগৎব্রহ্মণ্ড অসিগী পীকখ্রবা শরুক অমা, মীওইবগী ঊনশানা য়োমশিন্দুনা লৈজবনি। মপানগী জগৎ অসিগা পোৎশক্তা করিগুম্বা মওঙদা মাগীগা খেন্নবা খক লৈতে। চঙশিঞ্জবা অমসুং খঙজবা ঙমজদবগী ৱাফমদনি। পুক হেক থিল্লবদা পুক অমা লৈ হায়বা খঙবা ঙমই। অদুগুম্বা কোক হেক চীকপদা কোক্কী মনুঙদা করি লৈবগে হায়বা খনবা ঙম্লকই। খঙদে উদে হায়বা য়ারক্তে। অসিগুম্না চঙশিনবা ঙম্লবদি মীওইবগী হকচাং মনুঙদা চেল্লিবা ঈগী তুরেল অসি মাইল লিশিং হুম্ফু শাংই। জগৎ অসিদা করম্বা লৈবাক অমদা অসুক শাংবা তুরেল লৈবগে? মীওইবগী ঈদা লৈবা অহিংবা সেল অসি ত্রিলিয়ন্‌প্ত নি হায়বা খঙবা ঙম্লক্লে। ঈদগী ফত্ত-হৌদি শেংদোক্লবা কিডনি ফিল্টার অসি মথং মথং শমজিন্নরবদি মাইল ৭৫ শাংই। মসিদগী হেন্দুনা ঈশ্বর হায়বসি ঐঙোন্দা লৈবনি।

কর্সিঃ স্নেহ পব্লিকেসন্স


লৌশিংগী পুক্কে - ১৩১১
১১৫/০১

কষ্টদিয়ান, ইথোক-হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

নিংঙোম্‌বম্ মাইবা খল্‌পা ।। চেক্‌সা ময়ুম্‌নে ।। নিংঙোম্‌বম্ গৌরাচন্‌দ্র মায়ুম্‌নে ।। নিংঙোম্‌পম্ মুবা মায়ুম্‌নে ।। চবুম্‌কৈতা লৈপা ।। নিংঙোম্‌পম্ চিংসোম্‌বা মায়ুম্‌নে ।। নিংঙোম্‌পম্ হাওতোল্ মায়ুম্‌নে ।। গুরু মানাই নিংঙোম্‌পম্ ।। হরি ময়ুম্‌নে ।। নিংঙোম্‌পম্ পুরেং মায়ুম্‌নে ।।০ ।।০ ।। লাইতোং আতোল্‌কি য়ীতী ।। লাইতোল্‌চম্

নিংঙোমবম মাইবা খলবা। চেকশা ময়ুমনে। নিংঙোমবম গৌরচন্দ্র ময়ুমনে। নিংঙোমবম লৌরুংবা খনবা। কোইবা ময়ুমনে। নিংঙোমবম মুকিনদা ময়ুমনে। নিংঙোমবম মুবা ময়ুমনে। গুরু মনাই নিংঙোমবম। হারি ময়ুমনে। নিংঙোমবম পুরেং ময়ুমনে ।।০ ।। লাইতোং অতালগী ঈদি। লাইতোলজম

[illegible]

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর